# অমফিম্পা ফ্যুচর এক্টর ২০১৭ পাঙথোকখ্রে



অমফিম্পানা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অহুমলকশুবা অমফিম্পা ফ্যুচর এক্টর ২০১৭গী মীংথোন নুপাদা শোইবম দেল্লিং অমদি নুপীদা হিদাম মীনাক্সিনা ফঙংখ্রে। মণিপুর ফিল্মগী লমদা হায়রিবা মীওই অনী অসি অর্টিষ্ট অমা ওইনা শুকসোই শোইদনা খোঙদারনি।

ইং ২০১৩দগী অমফিম্পানা শীন্দুনা চত্থরকপা মশাদা টেলেন্ট লৈরবা অর্টিষ্টশিংবু ফিল্মগী ফম্পাক্তা খোঙদনবগী চাওরবা খুদোংচাবা পীবা ফিউচর এক্টর হায়না মীংথোনবা চৎলিবা চহি অসিগী ওইনা মপুং ওইবা থৌরম থা অসিগী ২দা পেলেস গেটতা লৈবা এস এম এস এফ দি এসতা পাঙথোকখ্রে।

অমফিম্পা ফ্যুচর এক্টর ২০১৭ অসিদা অরাপ্পা অমদি অনাকপা মফম কয়াদগী ফিল্মগী লমদা থৱায় য়াওজবা টেলেন্ট লৈবা মীওই ৪৭না শরুক য়াখি।

অমফিম্পা ফ্যুচর এক্টর ২০১৭ অসিগা মরী লৈননা হৌখিবা মে থাগী ২১দগীনা ২৮ ফাওবা গান্ধি এভেন্যুদা লৈবা ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা মীওই ৪৭ অসিনা শরুক য়াদুনা ৱার্কশোপ পাঙথোকখি। ৱার্কশোপ অসিদা মণিপুরগী ফিল্মগী মেকর অমসু ওইরিবা ফিউচর এক্টর ২০১৭ গীসু চিয়ারমেন অমা ওইরিবা কে এস ঐচ কিশ্বরকুমারগী মীৎয়েং মখাদা অমদি নরেন্দ্র নিঙোম্বা (এক্টর, স্ক্রিন প্লে, রাইটর), কে ঐচ বিশ্বমিত্র (ফিল্ম মেকর), ওকেন অমাকচম (ফিল্ম মেকর), লানচা নিংথৌজা (ফিল্ম মেকর), ডাক্তর ৱাই মোহেন (জেনরেল সেক্রেটরী ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি, মণিপুর), ডাক্তর এস গোপাল (মেদিকেল ওফিসর, মণিপুর এদস কন্ট্রোল সোসাইটি, ইম্ফাল ৱেষ্ট), সদানন্দা হামোম (এক্টর, সিঙ্গর), বোনি শর্মা (এক্টর), গোকুল অথোকপম (এক্টর), দেনি লিকমাবম (এক্টর), তোম্বোই (এক্টর) অমদি বালা হিজম (এক্টর)গী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবনি। লোয়ননা মসিগী মখা চত্থরকপা জুন ১৮দা লৈখিদ্রবশিংগী নিংশিং খুবম ওইরিবা ক্রেকুপাৎতা অমফিম্পা ফ্যুচর এক্টর ২০১৭ দা শরুক য়ারিবা মীওই ৪৭না লম–তু শেংখি।

মসিগী মখা তারকপা ওইনা হৌখিবা তাং ২৯দা প্রেলিমিনরি রাউন্দগী থৌরম এম এস এফ দি এস দা এল বঙ্কা শর্মা (ফিল্ম মেকর), ও গৌতম (ফিল্ম মেকর, নেসনেল এৱর্দি) অমদি



## সুর মৈতৈ

নুপাগীদা গিপসন খোইরোম, ৱাই বোরিস, সনাশম দিমোচা অমদি শোইবম দেল্লিংনি। অদুগা নুপীদনা ঙাঞ্জথোই ৱাইখোম, মোইরাংথেম শৈলেজা, হেলেনা নামৈরাকপম অমদি হিদাম মিনাক্সিনি।

হিটদন টেলেন্ট রাউন্দগী খল্লবা মীওই মরিনা অনীশুবা রাউন্দগী অহানবা থৌরমদা লাইফ ওন ষ্টেজ (মার্ক ১০) অমদি অনীশুবা থৌরম কোইসন অমদি অন্সর (মার্ক ১০) তা অথোই–অহেন তান্নখি। অথোই–অহেন তান্নবা অদুদা নুপাগী ওইনা শোইবমগী মনা নুপাদা ৱাই বোরিস অদুগা নুপীদনা হেলেনা নামৈরাকপম্না ফঙখি। বেষ্ট রিধম ওন ম্যুজিক্কী মনা নুপাদা গিপ্সন খোইরোম অদুগা নুপীদা মোইরাংথেম শৈলেজানা ফঙখি। বেটচ দিসিপ্লিনগী মনা নুপাদা ৱাই বোরিস অমদি নুপীদা অশালাতা সলাম্না ফঙখি। বেষ্ট হিটদন টেলেন্টতা শোইবম দেল্লিং অদুগা নুপীদা হেলেনা নামৈরাকপম অমদি হিদম মিনাক্সিনি। হায়রিবা মীংথোল অসিদা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০, সর্টিফিকেট অমদি মেমেন্তো য়াওরি।






রোমি মৈতৈ (ফিল্ম মেকর) না জুরি ওইদুনা পাঙথোকখি। হায়রিবা প্রিলিমিনরি রাউন্দ অসিদা নুপা ১১ অমদি নুপী ১১ খনগৎখি।

অমফিম্পা ফ্যুচর এক্টর ২০১৭ খনবগী অরোইবা নুমিৎকী অহানবা রাউন্দগী অহানবা থৌরমদা খনগৎলবা মীওই ২২না সেল্ফ ইন্ট্রোদক্সন (মিনট –২ /মার্ক ১০) তৌখি। মখাতারকপা অনীশুবা থৌরমদা রিধম ওন ম্যুজিক (মিনট –৩/মার্ক ২০) হায়বা অমসুং পাঙথোকখি। অদুগা অহুমশুবা থৌরমদা দাইলোগ অমদি এক্টিং (মিনট –৪/ মার্ক ৩০) শু পাঙথোকখি। অহানবা রাউন্দ অসিদগী হিটদন টেলেন্ট হায়দুনা নুপা ৪ অমদি নুপী ৪ খনগৎখি। খনগৎলবা মীওই অদুদি দেল্লিংনা ফ্যুচর এক্টর ২০১৭গী মিংথোল ফঙবা ঙমখি। দেল্লিং বিষ্ণুপুরদগী এস গ্যানেশ্বর অমদি এস ওংবী তাপোকপী অনীগী মচানি। নুপীগী ওইনা হিদম মিনাকসিনা ফ্যুচর এক্টর ২০১৭ গী মীংচৎ ফঙবা ঙমখি। মিনাক্সি শমুরৌ মখা লৈকায়গী ঐচ য়াইমা অমদি ঐচ ওংবী রোবিতা অনীগী মচানি। মীংথোল অসিদা শেল ওইনা লুপা ৫০,০০০, মেমেন্তো অমদি সর্টিফিকেট য়াওরি।

অমফিম্পা ফিউচর এক্টর ২০১৭গী অথোই–অহেনদা মকোক–মথং তার–খ্রবশিংবু শক্তাক্ত্রিঙৈ মাংওইনা তোঙান–তোঙানবা এৱার্দ কয়াসু এৱার্দিশিংদা খুৎশিন্নখি। হায়রিবা এৱার্দ অমদি এৱার্দ ফঙগবা মীওইশিংদি বেষ্ট দাইলোগ অমদি এক্টিং

অমফিম্পা ফ্যুচর এক্টর অসি মরুওইনা থবক অমা তৌবা মতমদা অচুম্বা অফবা অমদি চাওখৎপা পুরক্কে হায়বদি তৌরিবনি হায়দুনা তৌবখক্লদি য়াদে। থবক তৌবা মতমদা চংলিবা মচাকশিং অদু অফবা মখলগী চুনবা মচাক ওইবা তাই। মরম অদুনা মণিপুরী ফিল্মবু অচুম্বা মাইকৈদা অফবা ফিল্ম অমা ওইহনগে অমদি চাওখৎহনগে হায়বা তারগদি মরুওইনা চংদবা য়াদবা মচাকশিংগী মনুং অমা ওইরিবা অফবা অর্টিষ্ট হায়বসিসু অমা ওইরি। মসিদা নত্তনা ফিল্মবু পামজবা নুংশিজবা মশাগী টেলেন্টদি লৈজবা অদুগা লম্বী খঙদনা কাংগা–থাং ওইনা মাংগদবা টেলেন্ট লৈরবা কয়াবু মখোয়গী অপাম্বা লম্বীদা মতেং পাংনবগীদমক তঙাইফদনা অমফিম্পনা ফ্যুচর এক্টর হায়না মীংথোন্দুনা টেলেন্ট লৈরবা অর্টিষ্টশিংবু থি–হুমদুনা পুথোক্নবগী পান্দম অমদা অমফিম্পানা ফ্যুচর এক্টর অসি হৌখিবা চহি ২০১৩দগী পাঙথোক্তুনা লাকচবনি হায়না অমফিম্পা ফ্যুচর এক্টর ২০১৭গী কনভেনর ওইনা থৌ পুরিবা আইশোমনি খুম্বোংময়ুম্না ফোঙদোকখি।







# লোকেল স্পোর্টসকী পাউদম

## ষ্টেট রোৱিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



*ইম্ফাল, জুন ৩ঃ*
হৌখিবা এপ্রিল ৫দা খুমন লম্পাক রোৱিং কেনেলদা ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মণিপুর রোৱিং এসোসিয়েসনগী এক্সিক্যুটিভ মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খনখ্রবা শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং থা অসিগী ৫দগী ১১ ফাওবা কোলকতাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২শুবা ইন্টর ষ্টেট চেলেঞ্জ স্প্রিন্ট নেস্নেল রোৱিং চেম্পিয়ন্সি অমদি ২০শুবা সব জুনিয়ার নেস্নেল রোৱিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারুনবগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

নুপাগী সব–জুনিয়ারদা শরুক য়ারুগদবা রোৱরশিংদি অসিস কোনজেংবম, অসৱোন কোনজেংবম, দিনেশ্বর লাইতম, সিতলজিৎ ৱাহেংবম, য়ুরেম্বম দেমসন, তেলেম জেলিয়ো অমদি এল অসেনকুমারনি। অদুগা নুপীগীদনা ফজবী অহোংসাংবম, মীরাবাই অথোকপম অমদি এ সনাতোননি।

নুপাগী চেলেঞ্জর রোৱারশিংনা এ কিরন কুমার, ঐচ প্রিটম, পি সনাথোই, এ সোমোর্জিৎ, টি ঐচ হেমন্তা, এল অসোকুমার, এন সনাতোম্বি, এল সিংহজিৎ অমদি ঐচ দেভিদনি। নুপীগীদনা দব্লিউ প্রেমিলা, এল সোনিয়া, এল অসালাতা, কে বিজেতা, ৱাই নন্দেশ্বরি, এম মেরিনা অমদি এম সৈয়ানি। ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা সব–জুনিয়ারগী মেনেজর ওইনা এন থোইবা, চেলেঞ্জরগী মেনেজর ওইনা টিঐচ নিতাই, সব–জুনিয়ারগী কোচ ওইনা কেঐচ জোতিন অমদি চেলেঞ্জরগী কোচ ওইনা কে সুনিতানি।

## এম সি এ কোচিং কেম্প য়ৈথোকখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ৩ঃ* লুৱাংশংবমগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টদিয়মদা হয়েংদগী হৌনা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা এম সি এ অন্দর ১৬ এন্দ ১৯ কোচিং কেম্প অদু নোং–চিংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা থা অসিগী ১১দগী ওইনা হৌরগনি। ফোর্ম থাজিনবগী মতমনা থা অসিগী ১০ ফাওবা ওইরগনি হায়না মণিপুর কিক্রেট এসোসিয়েসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি লাইথাংবম বিনোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহলক্লি।

## ৬শুবা চৈবী টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, জুন ৩ঃ*
১৭শুবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্র নিংশিং কুমওন থৌরমগা মরি লৈননা লেপ্তুনা পাঙথোকপা ৬শুবা ষ্টেট লেভেল কেদেট চৈবী ইনভাইটেসন টুর্নামেন্ট ২০১৭, থা অসিগী ১০দগী ১১ ফাওবা উট্টারায়ন থিয়েটর, খুরাই সাজোর লৈকায় উখ্রুল রোদ ইম্ফাল ইষ্টতা পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা চৈবী মশান্না অসিবু পামজবা অমদি নুংশিবীবা লুপ, ওর্গানাইজেসন, এসোসিয়েসন (এ এম সি এ) অমদি স্কুলশিংনা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসনগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌবীরগা থা অসিগী ৮ ফাওবদা সবমিট তৌবিয়ু হায়না এ এম সি এগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওক্রম ৱাংঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহলক্লি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com